# পুটিননা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং অমদি য়ুএসপু মচিন অনী লোংঈ হায়না মরাল শীখ্রে, কিভতা নিগোসিএসনগী ৱাফম হৌদোকখ্রে



মোস্কো, ওক্তোবর ১ (এজেন্সী):
রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা নোংচুপলোমগী কলোনিএল পোলিসি, নোংচুপলোমগী লৈবাক কয়ানা ইন্দিয়া অমসুং অফ্রিকাবু শগুন তৌখিবা, মিনাই লল্লোনবা অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ন্যুক্লিয়র অমসুং কেমিকেল খুৎলায়শিং শীজিন্নখিবগী ৱাফমশিং নৌহৌননা নীংশিংহনখ্রে।

রুলশিংদা য়ুম্ফম ওইবা মালেমগী ওইবা ওর্দর কায়হন্দনবনি হায়দুনা মতম চুপ্পদা অফবা শাদুনা ঙাঙলিবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী মচিল অনী লোঙবা মতৌশিং অমদি হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবা মওংগী নমথাক্কী থৌওংশিংবু চৈ থাংলদুনা রসিয়ন প্রসিদেন্ট অসিনা মালেম পুন্বদা ৱাফমশিং অসিবু নৌহৌননা নীংশিংহল্লিবনি। প্রসিদেন্ট পুটিননা ৱাফমশিং অসি ইরাই নুমিত্তা ক্রেমলিনগী নীংথিরবা সেন্ট জোজ'কী হোলদা ফোর্মেল স্পিচ অমা পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্কী স্পিচ অদু য়ুক্রেন অমদি য়ুএসনা লুচিংবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা ইকায়বা নাইদবা অমদি নমথাক্কী থৌওংশিংনি হায়না কন্না চৈ থাংখিবা য়ুক্রেনগী লুহান্স, দোনেটস, খের্সোন অমসুং জাপোরিজিয়া রিজনশিংদা রিফরেন্দমশিং পাঙথোকখিবা মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা পীখিবনি।

পুটিননা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না মতম চুপ্পদা তাদুনা লৈরি, মদুদি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা রুলশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ওর্দর অমা লৈহনবা পাম্মী। তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না হংনিংলিবদি মদু কদায়দগী লাক্কদৌরিবনো হায়বসিনি। অসিগুম্বা রুলশিং অসি কনানা উরবগে অমদি মখোয়বু কনানা য়ারবগে নত্ত্রগা এপ্রুভ তৌরবগে হায়বসি ঐহাক্কী ৱাহংনি। মসি তশেংনমক অচৌবা মীনম্বা অমদি মচিন অনী লোংনা ঙাঙবা অমদি থবক তৌবগী থৌওংনি। মখোয়না ঐখোয়বু অদুক্কী মতিক পংই হায়না খল্লম্বসু য়াই।

রসিয়ন লিদর অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি রসিয়া অসি অচৌবা চহী লিশিংগী পৱারনি, মরু ওইবা সিভিলাইজেসন অমনি। অসিগুম্বা লৈবাক অমনা শেমজিন শাজিনবা, নমথাক্কী রুলশিং ইল্লগা চৎলোই হায়না পুটিননা রসিয়ন লোনদা পীবা মহাক্কী স্পিচ অদুদা পনখি। স্পিচ অদুগী ইংলিস ভর্সনসু মতুং তাবদা ক্রেমলিনগী ওফিসল ৱেবসাইটতা অপলোদ তৌখি।

য়ুরোপিয়ন কাউন্সিলনা ইরাই নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা রসিয়ানা লোনা য়াদবা মওংদা দোনেটস, লুহান্স, খের্সোন অমসুং জাপোরিজিয়াশিং লৌশিনখিবগী খোঙথাংবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা রিজেক্ট তৌখিবনি। কাউন্সিলনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা হায়খি, মদুদি অতম্নना রুলশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ইন্টরনেসনেল ওর্দর থুগায়দুনা অমসুং য়ুক্রেনগী নিংতম্বা অমসুং সোভরেন্টি অমসুং টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি, কোর প্রিন্সিপলশিংগী ওইবা ফন্দামেন্টেল রাইটশিং ইফোঙ ফোঙবা ভাইওলেট তৌদুনা রসিয়ানা গ্লোবেল সেক্যুরিটিদা চাওনা অকায়বা পীরি।

অমরোমদা, পুটিননা মহাক্কী স্পিচ অদুদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা মালেমগী লৈবাকশিংগী বোর্দরশিং কায়হল্লোইদবনি হায়বা প্রিন্সিপলদা খোঙনেৎনখি হায়না পনবগা লোয়ননা হৌজিক্কা মখোয়গী অপাম্বা মওংদা হায়নিংবদা হায়দুনা, চৈনিংবদা চৈদুনা লৈরি। কনানা মরোমদোম লেপচবগী রাইট লৈ, কনানা লৈতে, কনানা মতিক চাই নত্ত্রগা চাদে হায়বনচিংবশিং মখোয়না লেপ্তুনা লৈরে হায়না রসিয়ন লিদর অসিনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

# য়ুক্রেনগী লমশিং লৌশিন্নবা পাঙথোকখিবা রেফরেন্দম কন্দেম তৌবা রিজোলুসন লৌবদা ইন্দিয়া য়াওখিদ্রে




য়ুএন, ওক্তোবর ১ (এজেন্সী):
মোস্কোনা য়ুক্রেনগী শরুক খরা লৌশিনখিবগী খোঙথাংবু কন্দেম তৌদুনা সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা রিজোলুসন লৌবদা ইন্দিয়া য়াওখিদ্রে। হন্দক্তা য়ুক্রেনদা ওইরক্লিবা ফিভমশিং য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওই হায়না ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী লমদম খরবু লৌশিন্নবগীদমক পাঙথোকখিবনি হায়বা রেফরেন্দমশিং ইল্লিগেল ওই হায়না লাউথোক্লিবা রিজোলুসন অদুবু পার্মেনেন্ট মেম্বর অমা ওইরিবা রসিয়ানা ভিতো তৌখি। ইরাই নুমিত্তা মেম্বর ১৫ লৈবা কাউন্সিলদা ভোট লৌনখিবা অদুদা রিজোলুসন অদুবু মেম্বর তরানা শৌগৎখি অমদি ভোট লৌনবা অদুদা মেম্বর মরিদি য়াওখিদে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগা ৱারী শান্নবদা য়ুক্রেনগী লান অদুগী মায়োক্তা কন্না ঙাঙখিবা অমদি হৌখিবা চয়োলদা এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টরনা জেনরেল এসেমব্লিদা ন্যু দিল্লিদি য়ুএন চার্টর অমসুং মসিবু হৌদোকখিবগী প্রিন্সিপলশিং ইকায় খুন্নরিবশিংগী মায়কৈদা লেপ্লি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা ইন্দিয়ানা রিজোলুসন অদুগী ভোট লৌনবদা শরুক য়াখিদবনি।

ইন্দিয়াগী ফিরেপ অদুবু এক্সপ্লেন তৌরদুনা লৈবাক অসিগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব রুচিরা কম্বোজনা কাউন্সিলদা হায়খি, মদুদি হন্দক্তা য়ুক্রেনদা ওইরক্লিবা খোঙথাংশিংনা ইন্দিয়াবু অদুক্কী মতিক নুংঙাইহন্দে। ঐখোয়না মতম চুপ্পদা ফোর্স শীজিন্নরগা মীওই কয়াগী পুন্সি লোমহল্লগা সোলুসন অমত্তা পুরক্লোই হায়দুনা লাকখি।

ইন্দিয়াগী পিএমনসু হৌজিক লানগী মতম নত্ত্রে হায়না য়াম্না ময়েক শেংনা পোঙদোকখিবনি। পিএমনা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা সমরকনদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসিমক ৱাশিংতন্না তরাম্না ওকখি। মোদিগী ৱাফম অসিবু ইন্দিয়াগী মীচং চঙবগী ফিরেপতা অহোংবা লাক্লে হায়না নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা ইন্টরপ্রিট তৌখিবনি। য়ুএনদা য়ুক্রেনগা মরী লৈননা মরু ওইবা রিজোলুসন অমা ভোট লৌনবদা ইন্দিয়ানা শরুক য়াখিদবসি মসিনা মাপল্লকশুবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াদা নত্তনা চাইনা, ব্রাজিল অমসুং গাবোননা ভোট লৌনবা অদুদা শরুক য়াখিদবা অদুবু য়ুএসকী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব লিন্দা থোমাস-গ্রিনফিল্ডনা থোইদোক্লা লুনা লৌখিদবগা লোয়ননা মখোয়না য়াওদ্রিবদু লান অদুদা রসিয়াগী মীচংদা লেপ্পদি নত্তে হায়খি।

# নোর্থ কোরিয়ানা ইষ্ট সীদা বেলেষ্টিক মিসাইল অনী কাপখ্রে



সিওল, ওক্তোবর ১ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়ানা থাংজ নুমিত্তা ইষ্ট সীদা অতেনবা রেঞ্জকী বেলেষ্টিক মিসাইল অনী কাপশিনখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।

চয়োল অমা ফাদবা মতমগী মতুংদা পিওংয়াংনা অসিগুম্বা মরিরক শুবা কায়হৌবগী থৌওং অমা ওইনা বেলেষ্টিক মিসাইল অনী সমুদ্রদা কাপশিনখিবনি হায়না সাউথকী মিলিটরিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফ (জেসিএস) কী ৱারোল পল্লদুনা হায়, অয়ুক পুং ৬.৪৫ অমসুং ৭.০৩ গী মরক্তা পিওংয়াংগী সুনান এরিয়াদগী চথুখিবা লোঞ্চশিং অদু দিটেক্ট তৌখি। মিসাইলশিং অদু মার্ক তরুক্কী টোপ স্পিদকা লোয়ননা কিমি ৩৫০ শান্না পায়খি।

সাউথ কোরিয়ানা মসিগী মরু ওইবা মিলিটরি এসেটশিংগা লোয়ননা আর্মদ ফোর্সেস ডেগী থৌরম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিঙৈদা লোঞ্চশিং অদু পাঙথোকখিবনি। ইরাই নুমিত্তা ইষ্ট সীদা সাউথ কোরিয়া, য়ুএস অমসুং জপাননা এন্টি-সবমেরিন ৱার ফেয়র এক্সর্সাইজ অমা পাঙথোকখি।

জেসিএসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, হন্দক্তা নোর্থ কোরিয়ানা পরিং নাইনা বেলেষ্টিক মিসাইলশিং কাপখিবা অসি তরাইনা লৌবা য়াদবা কায়হৌবগী থৌওংনি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী মরা তপ্পা কায়হনবদা নত্তনা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী মরা তপ্পা ফিভমদসু অকায়বা থোকহল্লি। লোয়ননা থৌওং অদু য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসনশিং ময়েক শেংনা খোঙ্গাওনবগী থৌওংনি।

ঐখোয়গী মিলিটরিনা অহেনবা কায়হৌবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা শেম শাদুনা য়ুএসকা কো ওপরেসন পীনবনা মরী লৈনবা মুভমেন্টশিং ট্রেক্কিং অমদি মোনিটরিং তৌবগা লোয়ননা ফিভম খুদিংমক মায়োক্লনবা মতম চুপ্পদা শেম শাদুনা লৈগনি। খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল লোঞ্চশিং অদু মমাঙদা নোংমাইজিং, য়ুমশকৈশ অমসুং শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোকখিবা খুৎলায় চাংয়েংশিংগী মতুংদা পাঙথোরক্লিবনি।

হন্দক্কী নোর্থকী লোঞ্চশিং অদুদা কেএন-২৩, কেএন-২৪, কেএন-২৫ সুপর, লার্স মল্টিপল রোকেট লোঞ্চর নত্ত্রগা অতে সোর্ট রেঞ্জ প্লেটফোর্মশিং শীজিন্নখিব্রা হায়বসি সাউথকী মিলিটরি ওথোরিটিশিংনা খঙনবা হোৎনরি হায়রি।

# ইনর্জিগী মমলশিং হন্থহন্নবা ইমর্জেন্সি থৌরাংশিং চৎনহনবগী ৱাফম য়ানখ্রে

ব্রাসেলস, ওক্তোবর ১ (এজেন্সী):
ব্রাসেলসতা পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) গী মেম্বর ষ্টেটশিংগী ইনর্জি মিনিষ্টরশিংগী ওইবা মরু ওইবা কাউন্সিলগী মীফম অমদা হৌজিক ইলেক্ট্রিসিটিগী মমল কা হেন্না ৱাংলিবদু হন্থহন্নবগী ইমর্জেন্সি থৌরাংশিং পরিং নাইনা লৌখৎপগী ৱাফম য়ানখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা সেসন অদুগী চেয়র ওইরিবা চেক রিপব্লিক্কী মিনিষ্টর ওফ ইন্দষ্ট্রি এন্দ ট্রেদ জোসেপ সিকেলানা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, মেম্বর ষ্টেটশিংনা মহৌশাগী ইলেক্ট্রিসিটি খ্বাইদগী চাং ৱাংনা শীজিন্নবা মতমদা ইলেক্ট্রিসিটিগী দিমান্দ হন্থহন্নবা হোৎনরগনি।

মসিনা ইনর্জিগী মমলশিংদা হকথেংননা পোজিটিব ইফেক্ত অমা লাকহনগনি। মেম্বর ষ্টেটশিংনা ইনর্জি সেক্তরদগী লাকপা অহেনবা প্রোফিটশিং বিল পীনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরিবশিংদা অমুক হন্না পীশিনগনি। থৌরাংশিং অসিনা মেম্বর ষ্টেটশিংদা কঞ্জ্যুমরশিংবু ইলেক্ট্রিসিটিগী মমলশিং কা হেন্না ৱাংলকপগী ফিভমদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাঙলগনি হায়না য়ুরোপিয়ন কম্মিস্নার ফোর ইনর্জি কাদির সিমসন্না ফোঙদোকখি।

নিংথম থাগী মতমদা ইলেক্ট্রিসিটিগী দিমান্দ হন্থহনবা হায়বসি অসিগুম্বা ইমর্জেন্সি থৌরাংশিংগী মনুংদা অহানবনি। কাউন্সিলনা অপুনবা ইলেক্ট্রিসিটি কঞ্জ্যুমসনগী চাদা ১০ ফাওবা ভোলন্টরি ওইনা হন্থহনবগী ৱাফম য়ানখি হায়না ইয়ুগী কাউন্সিলগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মতম শাংনা চৎনরোইদবা থৌরাংশিং অদু কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর ১ দগী এপ্লাই তৌগনি অমসুং কুমজা ২০২৩ গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা চৎনগনি। ইনর্জি কঞ্জ্যুমসন হন্থহনবগী টার্গেটশিং কুমজা ২০২৩ গী মার্চ ৩১ ফাওবা এপ্লাই তৌগনি। তঙাই ফদনা মার্কেটকী রিভেন্যুদা কুমজা ২০২৩ গী জুন ৩০ ফাওবা পনখে অমা লৈহনগনি। মেম্বর ষ্টেটশিংনা সাইপ্রস অমসুং মালটাবু থৌরাংশিং অসিনা কোলহন্দনবগী ৱাফমসু হৌদোক্লখি। হিরম অসিগী মতাংদা ওক্তোবরগী অঙনবা শরুক্তা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌরগনি হায়রি।

# য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা রসিয়াদা অনৌবা অথিংবশিং থমখ্রে

ৱাশিংতন, ওক্তোবর ১ (এজেন্সী):
রসিয়ানা য়ুক্রেনগী টেরিটরি মরি লৌশিনবগী ৱাফম ওইনা মোস্কোগী মরক্তা শেল থুমগী অনৌবা অথিংবা কয়া ইরাই নুমিত্তা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা লাউথোকখ্রে।

মোস্কোনা য়ুক্রেনগী লমশিং লৌশিল্লিবদু লোনা য়াদবা থৌওংনি হায়রদুনা প্রসিদেন্ট বাইদেননা গভর্ণমেন্ট, মিলিটরি ওফিসলশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংশিংদা টার্গেট তৌদুনা অথিংবশিং অসি লাউথোকখিবনি।

মোস্কোদা লৈরিবা দিজিসন-মেক্করশিং, রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগী মীচংশিং অমসুং রসিয়াদা লৈরিবা মিলিটরি-ইন্দষ্ট্রিএল কমপ্লেক্স সপোর্ট তৌরিবা এন্টিটিশিংদা টার্গেট তৌদুনা ট্রেজরি দিপার্টমেন্ট, কম্মর্স অমসুং ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা অথিংবশিং তোঙান তোঙানবা লাউথোকখি।

প্রসিদেন্ট বাইদেননা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা য়ুক্রেনগী শরুকশিং লৌশিল্লে হায়না ক্লেম তৌরিবদুগী পাউখুম ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ঐখোয়গী মীচংশিং অমসুং পার্টনরশিংগা খুৎশম্নরগা ঙসি রসিয়াগী মায়োক্তা অনৌবা অথিংবশিং লাউথোক্লি।

অথিংবশিং অসিনা য়ুক্রেনিয়ন টেরিটরিগী ষ্টেটস হোংহন্নবা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা হোৎনরিবশিংদু পোলিটিকেল অমদি ইকনোমিক সপোর্ট পীরিবা রসিয়াগী মনুং অমসুং মপানদা লৈরিবা ইন্দিভিজুএলশিং অমদি এন্টিটিশিংদা চৈথেং কয়া ফঙহনগনি।

য়ুক্রেনিয়ন প্রিজনর ওফ ৱার অমগী মায়োক্তা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগী থৌওং চথুখিবগীদমক্তা ইরাই নুমিত্তা ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ওচুর-সুগে মোঙ্গুসতা ভিজাগী অথিংবশিং থমখি। রসিয়ন ফেদরেসন মিলিটরিগী মেম্বরশিং, বেলা রসিয়ন মিলিটরিগী ওফিসলশিং অমসুং য়ুক্রেনগী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনরিবা রসিয়াগী টোক্সিশিং য়াওনা ইন্দিভিজুএল ৯১০ গী মায়োক্তা ভিজাগী অথিংবশিং থমখি।

বাইদেননা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনগী লম লৌশিনবগী খোঙথাংশিং অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা রসিয়াবু মদুগী থৌদাং য়াহন্নবা য়ুএসনা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী সপোর্ট মখা তানা লৌননবা হোৎনখিগনি। য়ুক্রেনবু মশা ঙাকথোকচবা ঙমহন্নবগীদমক্তা ঐখোয়না মখা তানা কিভতা মথৌ তাবা ইক্বিপমেন্ট পীখিগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

খোঙথাং অসিগা লোয়ননা বাইদেননা কোংগ্রেসতা য়ুক্রেনবু মতেং পাঙনবগী দোল্লর বিলিয়ন ১২ গী অহেনবা শেনফম পীননবসু তকশিনখি। প্রসিদেন্ট বাইদেননা হায়খি, মদুদি মোস্কোনা ইন্টরনেসনেল লোখোঙ্গাওনরি অমদি য়ুএন চার্টর খোঙনেৎনবগা লোয়ননা মফম খুদিংমক্তা ইংনা চিক্না লৈজরিবা লৈবাকশিংবু উশিৎ থৌওইদনা তৌই।

মোস্কোগী লম লৌশিনবগী খোঙথাংশিং অসি লোনা য়াদবনি হায়বসি মালেম পুম্বনা খঙলবা ৱাফম্নি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মতম পুম্বদা মালেম্না শকখঙবা য়ুক্রেনগী বোর্দরশিংবু ইকায় খুম্নগনি। য়ুক্রেননা মসিগী লমশিং হন্দোক্লবা হোৎনরিবসিদা ঐখোয়না মখা তানা মতেং পাঙখিগনি।

মিলিটরি অমদি দিপ্লোমেটিক চেন্নেলশিংগী খুত্থাংদা পাঙবা য়াবা মতেংশিং পাঙদুনা য়ুক্রেনগী খোঙফম হেন্না চেৎশিলহনগনি হায়না বাইদেননা মখা তাখি।

# কম্বোদিয়াদা দ্রগকা কোন্ননা মী ফাবা হেনগৎখ্রে

নোম পেন, ওক্তোবর ১ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২২ গী অহানবা থা মাপনগী মনুংদা কম্বোদিয়াদা দ্রগকা মরী লৈননা মী ফাবা অমদি দ্রগ ফাবা হেনগৎখি হায়না থাংজ নুমিত্তা এন্টি-দ্রগ পুলিস দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অদু পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, চহী অসিগী জনুৱারী-সেপ্টেম্বর মনুংদা ওথোরিটিশিংনা দ্রগকা মরী লৈনবা সস্পেক্ট ১১,৪৩১ দিটেন তৌদুনা মমাঙগী চহীগী মান্নবা মতমদা লৈখিবা মশিং ৯৮২৮ তগী চাদা ১৬ হেনগৎখি।

নার্কোটিক্স টন ৬.২৫ ফাখিবগা লোয়ননা ফাবগী চাং অদু হৌখিবা চহীদা ফাখিবা টন ১.০৫ তগী শরুক মঙারোম হেনগৎখি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না মপুং ফানা প্রোসেস তৌদ্রিবা কেটামিন টন ৪.৭৭, টন ৪৭৬ কী কেমিকেল সবষ্টেন্সশিং, পিষ্টল ২৩, রাইফল ৪৯, কার ১১৯, মোটোর বাইক ১১৮৩, টেলিফোন ৪৩৮১ অমসুং স্কেল ৩২৯ সু সস্পেক্টশিং অদুদগী লৌখৎখি।

চহী অসিদা ফাখিবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা হেরোইন, এক্সটাসি, কেটামিন, কোকেন, কৃষ্টেল মেথমফেটামিন, মেথমফেটামিন পিলশিং অমসুং কাথিনোন য়াওরি।

প্রাইম মিনিষ্টর হুনসেননা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা গভর্ণমেন্টনা দ্রগ ট্রাফিক্কিং, হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং অমসুং সেক্সুয়েল এক্সপ্লোইটেসন য়াওনা মখল খুদিংমক্কী ক্রাইমশিংগী মায়োক্তা অকনবা কেম্পেইন চথনবা অচেৎপা ফিরেপ লৌরে হায়খিবনি।

মহাক্না কম্পিটেন্ট ওথোরিটিশিং অমদি ষ্টেক হোল্ডর পুম্নমক্তা কম্বোদিয়াবু হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং অমদি দ্রগ ট্রাফিক্কিংগী থবক তৌবা ওর্গনাইজ ক্রাইম গ্রুপশিংগী মকোন অমা ওইরক্তনবগী খোঙথাংশিং লৌখৎনবা পাউতাক পীখি।

# অফঘানিষ্টানদগী বোর্দর লান্না নোংমৈ কাপ্লকপদা পাকিষ্টানি লান্মী অমা শিরে: পাক মিলিটরি



ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ১ (এজেন্সী):
অফঘানিষ্টানদগী বোর্দর লান্না নোংমৈ কাপ্লকপদা পাকিষ্টানগী অৱাং নোংচুপ থংবা খাইবর পাক্তুনখুৱা প্রোভিন্সতা পাকিষ্টানি আর্মিগী লান্মী অমা শিখ্রে হায়না ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা পাকিষ্টানি আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিষ্টানি আর্মিগী মেদিয়া ৱিং ইন্টর-সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স (আই এস পি আর) না হায়খি, মদুদি খাইবর পাক্তুনখুৱাগী খুরাম দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা খর্লাচি এরিয়াদা বোর্দরগী অফঘানিষ্টান সাইটতগী টেররিষ্টশিংনা পাকিষ্টানি ট্রুপশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

আই এস পি আরনা মখা তানা হায়খি, মদুদি পাকিষ্টানগী ট্রুপশিংনা এটেক অদুগী মতিক চাবা পাউখুম পীখি অমসুং খুৎহনবা অদুদা টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদা মীশি মীনা চাওনা থোকখি হায়বগী থাজনিংঙাই ওইবা ইন্টলিজেন্স রিপোর্টশিং ফঙখি। অদুম ওইনমক নোংমৈ কাপ্নবদা পাকিষ্টানি লান্মী অমগী পুন্সি লোমখি হায়না মেদিয়া ৱিংনা ফোঙদোকখি।

আইএসপিআরনা মখা তারদুনা টেররিষ্টশিংনা অফঘানিষ্টানগী লম শীজিন্নদুনা পাকিষ্টানগী মায়োক্তা চথরিবা এক্তিভিটিশিং লৈবাক অসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। পাকিষ্টানি আর্মিনা টেররিজমগী থৌওংশিংদগী লৈবাক অসিগী বোর্দরশিং ঙাক শেন্ননবা অচেৎপা ফিরেপ লৌরে হায়না আই এস পি আরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, টালিবানন্না লুচিংবা অফঘানিষ্টানগী গভর্ণমেন্টনা হন্দক্তা ফোঙদোকখিবা ওফিসল ওইবা ৱারোল অমা লৈবাক অনীগী মরুপ মপাঙ ওইবগী মরীগী লিপুনগী মায়োক্তনি হায়না পাকিষ্টাননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা ইস্লামাবাদতা পাঙথোকখিবা চয়োলগী ওইবা মেদিয়া ব্রিফিংদা ফোরেন ওফিস (এফ ও) গী স্পোক্স পার্সন অসিম ইফটিখরনা ফোঙদোকখিবনি। টালিবানগী দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর সের অবাস ইষ্টানিক জাইনা পীখিবা ষ্টেটমেন্ট অমগা মরী লৈননা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা মহাক্না ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

মদু য়ুএন জেনরেল এসেমব্লিদা ৱা ঙাঙবদা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফনা য়ুমথংনরিবা লৈবাক্তগী ওপরেট তৌরিবা টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা পীরিবা থ্রেটশিংগী মতাংদা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা নুংনাংলি হায়বসি খঙহনখিবা মতুং চয়োল অমা কান্নরগা টালিবানগী দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টরনা ৱাফম অদু ফেঙদোকখিবনি।

# ইমরাননা নমথাকশিং অমদি প্রোপেগন্দা শেমজিন শাজিন্নবা হোৎনবদা থা মঙা মাঙহনখি



ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ১ (এজেন্সী):
পিটিআইগী চিয়রমেন ইমরান খাননা হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিবু লৌতুনরগা শেম্বনি হায়না য়ুম্ফম য়াওদবা প্রোপেগন্দা অমদি মীনম্বা ৱাফমশিং লেপ্তুনা ফোঙদোকখিবদু হন্দক্তা ওদিও লিক অমনা পুমলান লাল্লি হায়বসি উৎখ্রে হায়না পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফনা ফোঙদোকখ্রে।

জিও ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না বারা কাহু বাই পাস প্রোজেক্ট উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা সারিফনা হায়খি, মদুদি ইমরান খাননা মহাক্কী মতুংদা লাক্লিবা গভর্ণমেন্টগী মরমদা মীনম্বা কয়া অমদি প্রোপেগন্দা শেমজিন শাজিন্দুনা লৈবাক্কী মমল য়াম্লবা থা মঙাগী মতম অরেম্বদা মাঙহনখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, মদুদি খাননা পোলিটিসিয়নশিংবু লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবা ট্রেটরশিংনি হায়না মরাল শীখি। তৌইগুম্বসুং থাঙৈ শেংবদি মহাক্না লৈবাক অসিবু বিত্রে তৌখিবনি। ইমরান খাননা 'ইম্পোর্টেদ গভর্ণমেন্ট অমগী ৱাফম পল্লিবসি তশেংনমক মীনম্বা ৱানি' অমদি লৈবাক পুম্বগী মায়োক্তা লৌতুনবা অমনি। মীয়াম্না অসিগুম্বা মীনম্বা ঙাঙবা মীওই অমগী অশেংবা ৱাখল অদু মুন্না খঙবা মথৌ তাই। চয়োল অসিগী অঙনবদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা মহাক্কী মতমদুগী প্রিন্সিপল সেক্রেটরি অজম খানদা য়ুএস সাইফরগা করম্না প্লে তৌগনি হায়বগী মতাংদা পীখিবা পাউতাক্কী ওদিও রেকোর্দ অমা চয়োল অসিগী অঙনবদা ফোঙনরকখিবনি।

খান য়াওই হায়নরিবা ওদিও অদুদা অজম খানদা মহাক্না য়ুএস সাইফরগী মরমদা ৱা ঙাঙবগী খোঞ্জেল তাবা ফঙখি। মদুদা খাননা হঞ্জিন হঞ্জিন মহাক্কী গভর্ণমেন্ট লৌথোক্লবা অকিবা পীবগী ৱাফম পনখি। ওদিও লিক অদুগী মতুং তারকপদা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর রানা সনৌলানা ইস্লামাবাদতা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা করিগুম্বা খানগী ওদিও অদু অশেংবা ওইবা তারবদি মহাকপু লৈবাক মাঙদা এক্সপোজ তৌগদবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা চয়োলদা সারিফ য়াওবা ওদিও অনী লিক ওইখি। অহানবা ওদিও অদুদা পিএমএল-এনগী ভাইস প্রসিদেন্ট মারিয়ম নৱাজনা মহাক্কী ময়ানুপাগীদমক্তা ইন্দিয়াদগী পৱার প্লান্ট অমা ইম্পোর্ট তৌবগী মতাংদা দিস্কসন তৌবা য়াওখি।

# ইয়ুনা রসিয়ন নেসনেলশিংগী ভিজা রুলশিং কনশিনহনখ্রে

ব্রাসেলস, ওক্তোবর ১ (এজেন্সী):
য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না ইরাই নুমিত্তা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) গী মেম্বর ষ্টেটশিংদা রসিয়ন সিটিশিংনা মখোয়গী ভিজা প্রোসিজরশিং হেন্না কনশিলহন্নবা অমদি বোর্দরদা চথরিবা চেকশিং হেন্না কনশিন্নবা তকশিনখ্রে।

য়ুরোপিয়ন কম্মিস্নার ফোর হোম এফিয়র্স য়েলবা জোহান্সন্না হায়খি, মদুদি গাইদ লাইনশিং অদু হন্দক্তা য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট কনশিলহনখিবগী পাউখুম ওইননি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ইয়ুনা মশাদা নত্তনা ঐখোয়গী সিটিজনশিংবু প্রোটেক্সন পীগনি। রসিয়ন সিটিজনশিংগী মতাংদা ঐখোয়না ইয়ুগী এক্সটর্নেল বোর্দরশিংদা অমত্তা ওইবা থৌওংশিং চথুগনি। লোয়ননা রসিয়ন সিটিজনশিংগী ওইনা অতেনবা মতমগী ভিজাশিং ইস্যু তৌবদা অকনবা রুলশিং এপ্লাই তৌহনগনি।

অনৌবা রুলশিংগী অদুগী মখাদা ইয়ুগী মেম্বর ষ্টেটশিংনা রসিয়ন সিটিজনশিংদা ভিজাশিং ইস্যু তৌবা মতমদা হেন্না কনবা এসেসমেন্টশিং অমদি সেক্যুরিটি চেকশিং এপ্লাই তৌগদবনি। মখোয়গী জর্নি অদু অচুম্বা পান্দমগীরা হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনবদসু অকনবা গাইদ লাইনশিং শীজিন্নগদবনি। লোয়ননা মেম্বর ষ্টেট খুদিংমক্না ভিজাশিংগী ভেলিদিটিদসু অকনবা মীৎয়েং চঙগদবনি।

জোহান্সন্না হায়খি, মদুদি অহুমশুবা লৈবাক অমদা লৈরিবা রসিয়ন ফেদরেসনগী সিটিজনশিংনা মতম তেন্না লৈনবগী নত্ত্রগা ট্রান্জিক্কীদমক্তা থারকপা সেংগেন ভিজা এপ্লিকেসনশিং একসেপ্ট তৌরোইদবনি। তৌইগুম্বসুং ইমুং মনুংনা ইয়ুদা লৈবা মরী মতা অমা খঙহৌদনা অরুবা লায়নানা নারকপদগী চৎতবা য়াদবদগী চৎপা, দিসিদেন্টশিং নত্ত্রগা হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরশিংগুম্বগী মতাংদা হায়রিবা অকনবা গাইদ লাইনশিং অসি কোমথোক্কনি হায়না জোহান্সন্না এক্সপ্লেন তৌখি।

# স্বিদেননা টর্কিদা খুৎলায় এক্সপোর্ট তৌবা হৌখ্রে

ষ্টোকহোল্ম, ওক্তোবর ১ (এজেন্সী):
স্বিদেনগী কম্পেনিশিং টর্কিদা মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট য়োনবা য়ান্নবা এক্সপোর্ট পার্মিটশিং পীখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ইন্সপেক্তরেট ওফ ষ্ট্রেটেজিক প্রদক্স (আই এস পি) না লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, এক্সপোর্ট পার্মিটশিং পীবা অসি নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাটো) গী নিগোসিএসনদা স্বিদেননা টর্কিগা য়ানখিবগী শরুক অমনি।

পার্মিটশিং অদু ইলেক্ট্রোনিক ইক্বিপমেন্ট, সোফটৱায়র অমসুং টেক্নিকেল এসিষ্টেন্স য়াওনা আর্মদ এক্সপোর্ট লেজিসলেসন্না এফেক্ত তৌবা প্রদক্ত পুম্নমক্তা এপ্লাই তৌগনি।

টর্কিনা টেররিষ্ট গ্রুপ অমনি হায়না লৌরিবা সিরিয়াগী কর্দিষ্ট পিপলস প্রোটেক্সন য়ুনিট (ৱাই পি জি) গী মায়োক্তা চথুখিবা মিলিটরি ওপরেসন্না মরম ওইদুনা কুমজা ২০১৯ দগী টর্কিদা মিলিটরিগী পোত্থোকশিং ফাবগী থবকশিং লেপ্তুনা লাকপনি।

স্বিদেন অমদি ফিনলেন্দনা হৌখিবা মেগী ময়াই চনবা শরুক্তা নাটোদা য়াওনবা এপ্লাই তৌখি। মিলিটরি এল্লায়ন্স অসিগী মেম্বর অমা ওইরবা টর্কিনা কর্দিষ্টান ৱার্কর্স পার্টি (পিকেকে) অমদি সিরিয়াগী ৱাই পি জিগা স্বিদেন অমদি ফিনলেন্দগা লৈনরিবা মরীশিং পল্লদুনা লৈবাক অনীনা মিলিটরি এল্লায়ন্স অসিদা য়াওবগী ৱাফম কন্না য়াখিদবনি।

স্বিদেননা টর্কিগী মায়োক্তা খুৎলায়গী অথিংবশিং থমখিবদসু অঙকরানা কন্না পেন্দবা উৎখ্রবনি। টর্কি অমসুং হঙ্গেরি অসি নাটোগী হৌজিক লৈরিবা মেম্বর ষ্টেট ৩০ গী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা স্বিদেন অমসুং ফিনলেন্দনা মিলিটরি এল্লায়ন্স অসিদা য়াওনবা এপ্লাই তৌরিবা অদুবু হৌনবী মতুং ইন্না এপ্রুভ তৌদ্রিবা লৈবাক অনীনি।